
# অথিংবা মরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা রোকেট চাংয়েং তৌখ্রে



সিওল, ফেব্রুৱারী ০৭ ঃ
মালেমগী লৈবাকশিংগী অথিংবা অমসুং চেকশিনৱা কয়া শিংনদুনা নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি অশানবা রোকেট অমা কাপখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং অতৈনা অথিংবা থমখ্রবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মপুংলম য়ৌগদবা মিসাইল অমগী টেক্নোলোজি চাংয়েংনি হায়রিবা নোর্থ কোরিয়াগী রোকেট চাংয়েং অদুবু ৱাশিংটননা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চাংয়েং অদুনা অরুবা মহৈ কয়া লাকহনগনি হায়খ্রে।
জপানননা চাংয়েং অদু "শুংয়া য়ানিংঙাই ওইদে" হায়খিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়নসু সিওলদা ইমর্জেন্সী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা নোর্থকী চাংয়েং অদু "খাঙদুনা লৈথোকপা য়াদবা কাইহৌবা অমনি" হায়খ্রে।
পিয়োংয়াংনা ঙসি মালেমগী মীয়ামদা অয়ুক পুং ৯.৩১ তাবদা আর্থ ওবজার্ভেসন সেটলাইট অমা চাইনাগী বোর্দর মনাক্তা লৈবা লোঞ্চ পেদতগী থাগৎতুনা ওর্বিটতা মায় পাক্লা থমখ্রে হায়না হরাওনা লাউথোরকপদগী লমদম অদুদা টেন্সন খঙৱাং ৱাংখৎলকখি।
ন্যুক্লিয়র বোম টেষ্ট অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা থা ১খক কান্নরগা পাঙথোক্লিবা সেটলাইট থাগৎপদু নোর্থ কোরিয়ানদি মায় পাকপা অমসুং সাইন্সকী খুমাঙ চাউশিনবা খোঙথাং অমনি হায়জরবসু মালেমগী লৈবাক কয়ানদি অশানবা মিসাইল অমা পুথোক্নবগী টেক্নোলোজি চাংয়েংনি হায়না লৌনৈ।
সেটলাইট অদুনা মিনিট ৯৪ খূদিংগী আর্থবু কোয়দুনা চৎলি হায়না পিয়োংয়াংনা ক্লেম তৌখি। অদুবু য়ু এস ষ্ট্রেটেজিক কমান্দনদি মিসাইল অমা স্পেসতা চঙলকপা দিটেক্ট তৌরে হায়খি। সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবদা নোর্থকী রোকেট অদুনা ওর্বিটতা পোৎশক অমা থমখি হায়খি।
জপানগী লম শরুকশিংদা অকিবা পোকহনবা রোকেট খুদিংমক কাপথনবা মিলিটরিবু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রবা টোকিয়োনা নোর্থকী চাংয়েং অদুবু খুদক্তা কন্দম তৌখি। মরু ওইনা রোকেট অদুনা জপানগী মখা ইথং থংবা ওকিনাৱা রিজনগী মথক্তা লাক্লগা পাইখিবদুবু শুংয়া য়ানিংঙাই ওইদবা নোর্থকী থৌওংনি হায়খি।
নোর্থ কোরিয়াগী ঙসিগী সেটলাইট লোঞ্চ অসিগা ইরোয়ননা সিওল অমসুং ৱাশিংটননা অথুবা মতমগী মনুংদা সাউথ কোরিয়াদা এদভান্স মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা লৈহন্নবগী ওইথোকপা য়াবশিং খন্নগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লৈবাক অনীনা খোঙথাং অসি থাংলকপা তারবদি চাইনা অমসুং রশিয়ানা কন্না য়ানিংদবা উৎলকপগা লোয়ননা লমদম অদুদা টেন্সন থুনা ৱাংখৎলক্কনি হায়রি।
য়ু এসনা সাউথ কোরিয়াদা টর্মিনেল হাই অল্টিচুদ এরিয়া দিফেন্স (টি ঐচ এ এ দি) সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম মতম খরগী মমাঙদগী হৌনা ওইথোকপা য়াই হায়না ষ্ট্রেটেজিক দিফেন্স এনালিষ্টশিংনা চিংনদুনা লাকপনি। সিষ্টেম অসি মালেমদা খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং মসিনা পাইদুনা লৈরিবা সোর্ট, মিদিয়ম অসুং ইন্টরনেসনেল বেলিষ্টিক মিসাইলশিংবু টার্গেট তৌবা ঙমই।
"নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং শারি অমসুং বেলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিং পায়খৎলি। অসিগুম্বা থ্রেটশিংগী মায়োক্তা মপাঙ্গল কনবা দিফেন্স সিষ্টেম অমা লৈহনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌদাংনি হায়না য়ু এস ফোর্সেস কোরিয়াগী কমান্দর জেনরেল এম স্কাপারোষ্টিনা হায়খি।
লৈখিদ্রবা নোর্থ কোরিয়াগী দিক্টেটর কিম জোং-ইলগী মমিং লৌদুনা থোনবা সেটলাইট ক্বাংমিয়োংসোং-৪ মায় পাক্লা থাগৎখিবগী পাউ অদু অখন্নবা ষ্টেট ব্রোদকাষ্ট অমগী মওংদা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখি। মমাঙদা থাগৎখিবা রোকেট অমগা মান্নবা অঙৌবা রোকেট অমা পাইখৎপগী লেংদবা ইমেজ অমা নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সীনা থাদোকখি।
চৈরক অসিদা, য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বান কি-মুন্না নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী অথিংবগী মায়োক্তা অশানবা রোকেট অমা থাগৎখিবদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং পিয়োংয়াংদা কাইহৌবগী থবকশিং লেপ্পবা হায়খ্রে। সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন-হয়েনা চাংয়েং অদু ঙাকপীনিংঙাই ওইদবা কাইহৌবা অমনি হায়খি।
বৃটেননসু নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাউনরবদি অকনবা মওংদা পাউখুম পীগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।
পিয়োংয়াংগী মরু ওইবা মীচং অমা ওইরিবা চাইনানসু নোর্থ কোরিয়াগী ঙসিগী চাংয়েং অদুবু নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। অদুবু মরী লৈনবা খূদিংমক্না চেকশিন্না, পূক্নিং ফাথনা থবক তৌনবসু তকশিনখ্রে।
হন্দক চহী খরা অসিদা নোর্থ কোরিয়াগা মরী নকশিন্ননবা হোৎনরকখিবা রশিয়ানা মালেমগী চৎন-পথাপশিং থাওইদবগী মওংদা নোর্থ কোরিয়ানা অশানবা রোকেট থাগৎলি হায়খি।
পনবা য়াবদি, হঞ্জিন হঞ্জিন ফেল ওইরবা মতুংদা কুমজা ২০১২গী দিসেম্বরদা নোর্থ কোরিয়ানা ষ্টেজ অহুম লৈবা লৈবাক অসিগী উনহা-৩ রোকেট হাপ্তুনা সেটলাইট অমা ওর্বিটতা মায় পাক্লা থমখিবনি।

# সিরিয়াগী বাশর-অল অশাদকী মমা অনিশেহ মখলাউফ লৈখিদ্রে

বৈরুট, ফেব্রুৱারী ০৭ ঃ কুমজা ২০০০দা হাফেজনা শিখিবা মতুং মতম শাংনা ফার্ষ্ট লেদিনি হায়না মীওই কয়ানা লৌনখিবা সিরিয়াগী হান্নগী ফার্ষ্ট লেদি অমসুং হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট বাশার অশাদকী মমা ওইরিবা অনিশেহ মখলাউফ হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লৈখিদ্রে হায়না প্রসিদেন্সিনা লাউথোকখ্রে। মহাক চহী ৮৬ শুখ্রে।
প্রসিদেন্সিগী ওফিসল ফেসবুক পেজদা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, লৈখিদ্রবা প্রসিদেন্ট হাফেজ অশাদকী লোয়নবী সিরিয়াগী কেপিটেল দামাসকসতা লৈখিদ্রে। মখলাউফ কুমজা ১৯৩০দা সিয়াইট ইস্লামগী মাশা ওইবা লাইনিং লাইশোলগী মশিং য়ামজদবা কাঙলূপ অমনা খুৎলিংদুনা লৈবা কোষ্টেল প্রোভিন্স লাটাকিয়াগী মশক নাইবা ইনাক খুনবা ইমুং অমদা পোকখি। মহাক কুমজা ১৯৫৭তা হাফেজগা লুহোংখি। হাফেজ মতমদুদা এয়রফোর্সকী লেফটিনেন্টনি।
হাফেজনা কুমজা ১৯৭১দা প্রসিদেন্ট ওইখিঙৈদগী মখলাউফ মীয়াম মাঙদা পংনা থোক্লকখিদে হায়রি। মহাক মীমাঙদা তোয়না থোক্ত্রবসু অফবা ইমুং পুবী অমা ওইনা মপুরোইবা অমসুং মচাশিংদা অকনবা ঈথিল পীখি।
কুমজা ২০০০দা হাফেজনা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক মতম শাংনা ফার্ষ্ট লেদিনি হায়না লৌনখি। কুমজা ২০১১দা সিরিয়াদা অশাদ ইমুংগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈরাং তৌবা হৌখিবা মতমদা মহাক্না মচানুপা অশাদতা ঈরাং হৌরিবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা হায়খি হায়না থাজনরি।

# পাক টালিবাননা সুইসাইদ এটেক তৌদুনা মীওই ৯ হাৎখ্রে

কারাচি, ফেব্রুৱারী ০৭ ঃ
হৌখিবাং থাংজ নুমিৎতা পাকিস্তানগী টালিবাননা সুইসাইদ এটেক চথদুনা সিক্যুরিটি পর্সনেল মরি অমসুং চহী নিপানগী নুপীমচা অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই মাপন হাৎখ্রে।
থৌদোক অদু পাকিস্তানগী ইরাং কনবা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী কেপিটেল ক্বেটাদা থোকখিবনি অমসুং টালিবান সুইসাইদ এটেক্কর অদুনা ফ্রন্টিয়র কোর ভেহিকল অমা টার্গেট তৌখিবনি।
নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈবা সিটি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী মনাক্তা লৈবা ক্বেটাগী মী চিনবা কাচারি এরিয়াদা পোকখায়বগী অহৌবা মখোল অমা তাখি।
ফ্রন্টিয়র কোর (এফ সী)গী ভেহিকলদা টার্গেট তৌবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মাপন খিখি অমসুং অতৈ মীওই ৪০ রোম শোকখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।
দি আই জি ইমতিয়াজ সাহগী ৱারোল পল্লদুনা দোন ন্যুজনা ফোঙদোকখি মদুদি, মদু সুইসাইদ এটেক অমনি অমসুং এটেক্কর অদু এফ সীগী ভেহিকল মনাক্তা মতোমতা পোকখায়জখি।
বেলাচিষ্টান গভর্ণমেন্টকী স্পোক্স-পর্সন অনৱার-উল-হকনা হায়খি মদুদি, এটেক অদুদা শোকখিবশিংদু হোস্পিটালশিংদা পুখৎখ্রে অমসুং মীওই নিপানগী ফীভম লুরি।
দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সেসন্স কোর্টশিং, কৈথেল অমা অমসুং হোস্পিটাল অমা লৈবা কাচারি এরিয়া অদু মহৌশানা মী চিন্দুনা লৈ অমসুং লিকার্ট পাক মনাক্তা বোম পোকখায়বদু থোকখিবা মতমদসু মী চিনখি হায়না হকনা হায়খি।
মহাক্না হায়খি, এটেক অদুদা পোকখায়গনবা মচাক কিলোগ্রাম ৮ রোম শীজিন্নখি অমসুং অচৌবা পোকখায়বা অদুনা মনাক্তা লৈবা বিল্ডিংশিং অমসুং সিক্যুরিটি ভেহিকল অদু অকায়-অতোয় থোকহনখি।
বোম পোকখায়বা অদুদা এফ সীগী মীওই মরি শিখি অদুগা অতৈদুনা লোকল মীওইশিংনি হায়না হোম সেক্রেটরি অকবর হুশাইন দুরানিনা এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনদা ফোঙদোকখ্রে।
এটেক অদু অথিংবা থমখ্রবা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিস্তান (টি টি প)না পাঙথোকখিবনি হায়রি।




# মীখল মাঙওইননা মেয়রদা নোংমৈ কাপখ্রে

মানিলা, ফেব্রুৱারী ০৭ ঃ
ফিলিপিন্সকী ঈরাং লৈবা খা থংবা শরুক্তা ঙসি থোকখিবা এম্বুশকী থৌদোক অমদা টাউন মেয়র অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা অশোক-অপন নংখ্রে।
থৌদোক অদু লাক্লিবা মে থাদা পাঙথোক্কদবা জেনরেল ইলেক্সনগী ওফিসল কেম্পেন হৌগদবা নুমিৎ নিনি মাঙওইননা থোকখিবনি হায়না পুলিসকী পাউনা ফোঙদোক্লি।
হিথাংফম সিটি জাম্বোঙ্গাদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা মেয়র জম্পর কিউনা বোদিগার্দ অনীগা লোয়ননা মহাক্কী গাড়ীদা চৎলিঙৈদা মোটোরসাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই অমনা নোংমৈ কাপ্পকখি হায়না সিটি পুলিসকী স্পোক্সপর্সন সিনিয়র ইন্সপেক্টর হেলেন গালবেজনা হায়খি।
হন্দক্কী মীখলদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌখ্রবা কিউ অসি ফিলিপিন্সকী মখা ইথং-থংবদা লৈবা শেল-থুমগী ফীভম শোত্থরবা ঈথৎ পরিং অমা ওইরিবা টাৱি-টাৱিগী মনুং চনবা সিসাইদ টাউন বোঙ্গাওগী মেয়রনি। ইলেক্সন রেকোর্দসকী মতুং ইন্না মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা মরী মতা অমা মীখলদা চোংথোক্লি।
মপাম্বোম, মখোং অমসুং মথুনদা নোংমৈ মরু অমমম পানখিবা কিউ জাম্বোঙ্গা হোস্পিটালদা ফীভম ফগৎলকপা উরে লোয়ননা মঙোন্দা নোংমৈ কাপখিবা মীওই অদুদি থিবা ফংদ্রি হায়রি। এটেক অদু মীখলগা মরী লৈনব্রা হায়বা খুদক্কী ওইনা খঙখিদে। মেয়র অদু প্রসিদেন্ট বেনিগনো অক্বিনোগী লিবরেল পার্টি মেম্বরনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ৱার ক্রাইমশিং খন্নবা লাকখ্রে

কলম্বো, ফেব্রুৱারী ০৭ ঃ শ্রীলঙ্কাগী কিনিংঙাই ওইরবা সিবিল ৱার মনুংদা ৱার ক্রাইম কয়া চথখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা থিজিন্নবগী পান্দমদা ঈথৎ লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টগা ৱারী শাননবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটসকী চীফ ঙরাং কলম্বোদা থুংখ্রে।
য়ু এন হ্যুমেন রাইটসকী হায় কমিস্নার জৈইদ রাদ অল হুশৈনগী নুমিৎ ৪নিগী খোঙচৎ অদু হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীল (য়ু এন-ঐচ আর সী)না ৱারেপ অমা লৌখিবগী মতুংদা মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইরি।
ৱারেপ অদুনা কুমজা ২০০৯দা লোইশিনখিবা শ্রীলঙ্কাগী কাঙলূপকী লাল অদুগী লোইশিল্লকপা তাঙ্কক্তা থোকখিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা থিজিননবগী অয়াবা পীখি। নবি পিলাইগী মহুৎ শীন্দুনা য়ু এনগী রাইট চীফ ওইরকখিবা হুশৈননা মহাক্কী অহানবা শ্রীলঙ্কা খোঙচৎ অদুদা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনাগা ৱারী শানবদা কানবা কয়া লাক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

# স্বিদেননা অশনগী মথক্তা চার্জ অমত্তা থাঙ্গৎতে : য়ু এন পেনেল




জিনেভা, ফেব্রুৱারী ০৭ ঃ
ৱিকিলিক্সকী ফাউন্দর জুলিয়ন অশনবু লন্দনদা লৈবা ইক্বেদোরগী এম্বেসিদা 'চৎনবীগী ৱাংমদা নম-হাদুনা ফাজিন্দুনা থমই' হায়না য়ু এন পেনেল অমনা থা অসিগী ৫দা ফোঙদোকখ্রে অমসুং য়ু কে অমসুং স্বিদেনদা মহাকপু মনিং তম্না চথোক-চৎশিন তৌহন্নবা তকশিনখ্রে।
য়ু এনগী পেনেল অদুনা অশনদা কম্পেনসেসন তানবগী রাইটসু ফংহনগদবনি হায়না রুলিং পীখি। ৱার্কিং গ্রুপ ওফ অর্বিট্রেরি দিটেন্সন (দব্লিয়ু জি এ এ দি)না কেস মসিগী মতাংদা মেজোরিটি রুলিং অমা উৎখি। পেনেলগী মেম্বর মঙাগী মনুংদা অহুম্না রুলিং পীখিবনি।
পেনেল মেম্বর অমনা ৱারেপ অসিগী মায়োক্তা লৈখি অদুগা অমনা ৱাখল মান্নদবগী গ্রাউন্দদা মশা মতোমতা তোকচখি।
য়ুনাইটেদ কিংদম (য়ু কে)না মশাগী চহী ৪৪ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা অদু চৎনবীগী ৱাংমদা নম-হাদুনা ফাজিন্দুনা থমই হায়বা রুলিংবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং য়ু এনগী ওপিনিয়ন অদুনা কেস অদুদা করিমত্তা অকায়বা পীবা য়ারোই হায়খি।
ইক্বেদোরগী এম্বেসিদগী হেক থোক্লকপগা জুলিয়ন অশনবু ফাগনি হায়না য়ু কেনা হায়রি।
জুলিয়ন অশন অসি স্বিদেননা রেপকী কেস অমগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চথদুনা ৱায়েনগদৌগী ঙাইরিবা মীশকনি। স্বিদেননা জুলয়ন অশনবু ফারগা শীন্নরক্লিবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা খঙহনখিবদগী মহাক কুমজা ২০১২দগী লন্দনদা লৈবা ইক্বেদোরিয়ন এম্বেসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি।

# মালেমদা জিহাদী ফোর্সশিংনা মশোং হাইগৎলকপদা পাকিস্তানগী খুৎ চাউনা য়াওই : ন্যু য়োর্ক টাইমস

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ০৭ ঃ
পাকিস্তানগী তৌগে ঙম্বা ইন্টলিজেন্স সার্বিসনা মতম শাংনা মালেমগী জীহাদি ফোর্সশিংগী মেনেজর ওইনা থবক তৌরকখি অমসুং লৈবাক অসি আই এস আই এসনা মথি ফোঙলকপদসু চেন্নরম্বা য়াই হায়না ঙসি য়ু এসকী মশক নাইবা নুংতিগী পাউচে অমনা মীরৈবাক্কী কনফ্লিক্ট কয়াদা পাকিস্তাননা খুৎ থিংজিনবগী মতাংদা পীবা কম্মেন্টরিদা ফোঙদোকখ্রে।
টালিবাননা চথখিবা এটেক কয়া পাকিস্তাননা খুদোংচাবা পীদুনা চথখিবনি হায়বগী ইভিদেন্স মরাং কায়না লৈরে হায়বা এক্সপার্টশিংগী ৱাফমদা পূক্নিং চিংশিল্লদুনা ন্যু য়োর্ক টাইমসনা হায়খি, মসিগী থৌওং অসি অফঘানিস্তান খক্তগী ইস্যু নত্তে। পাকিস্তাননা মীরৈবাক্কী মুক্নবা ফীভম কয়াদা খুৎ থিংজিল্লি।
"পাকিস্তানগী ইন্টলিজেন্সনা মতম শাংনা সুনি এক্সট্রিমিষ্ট কয়ামরুম য়াওনা মালেমগী মুজাহিদিন ফোর্সশিংগী মেনেজর ওইনা থবক তৌরকখি অমসুং লৈবাক অসি ইস্লামিক ষ্টেটনা মকোক হাইগৎলকপদা চেন্নরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ।"
ন্যু য়োর্ক টাইমসনা হায়খি, পাকিস্তাননা টালিবান অমসুং অল-কাইদা শৌগৎলি হায়বা ৱাফম্বু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়সু টেররিজমগী চৈথেং নংলিবনি হায়জরবসু "এনালিষ্ট কয়ানা করম্না পাকিস্তানগী মিলিটরিনা মরু ওইনা পাষ্টুন মাইনোরিটিনা লৈবাক অসিদা অমসুং মপান্দা চথবা নেসনেলিষ্ট মুভমেন্টশিংবু নমথনবগী খুৎলাই ওইনা ইস্লামিক মিলিটেন্ট গ্রুপশিংবু করম্না য়োকপী-শেন্বীখিবগে হায়বদু কুপ্না ফোঙদোকখ্রে।
"পাকিস্তাননা অফঘানিষ্টানবু য়ুমগী মনিংদা লৈবা লম শরুকনি হায়না লৌই। ইন্দিয়াবু অফঘানিষ্টানদা ঈথিল পীহনবা য়াদে হায়বা অকনবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানবু মখা তানা সুনি ইস্লামিষ্ট কেম্পতা লৈহন্নবগীদমক্তা পাকিস্তাননা টালিবানবু অখন্ননা শীজিন্নরি। লৈবাক অসিগী অপাম্বগা চাননা থবক তৌবশিংবু শৌগৎতুনা চৎহন্নিংবা লম্বীদা চৎহল্লি অদুগা তানবা থোক্তবা, ৱা তাদবশিংবুনা এক্সন লৌখৎলি। অল-কাইদা অমসুং অতৈ মীরৈবাক্কী মিলিটেন্টশিংগীসু মদু মঙাই" হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসকী নোর্থ অফ্রিকা করেস্পোন্দেন্ট কার্লোট্টা গোলনা ইখি।
ইস্লামিক ষ্টেটনা মকোক হাইগৎলকপদা পাকিস্তাননা থৌদাং অমা লৌখি হায়বগী রিপোর্টশিং লৈ হায়না এন ৱাই টিগী ওপ-ইদ অদুনা হায়খি।
লমদম অসিদা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবা জীহাদকী মকোক অহুম্না ইফোঙ ফোঙনা হাইনা হুম্না লৈরিবসি কনাগুম্বাশিংদা ঙক্লিংঙাই ওইরম্বা য়াই হায়না মহাক্না পাকিস্তানদা ইফোঙ ফোঙনা লৈরিবা মকোকথোংবা টেররিষ্টশিংগী মমিং পরেং অমা পীরদুনা হায়খি।
"অহানবদা হকনি নেটৱার্ককী লূচিংবা অমসুং টালিবানগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ সিরাজুদ্দিন হকনি লৈ। মহাক্না পাকিস্তানদা অফা-অপুন অয়েৎপা অমত্তা লৈতনা ইফোঙ ফোঙনা চত্তুনা লৈ অমসুং মহাক রাৱালপিন্দিদা লৈবা অফঘান কেম্পেনগী পাকিস্তান ইন্টলিজেন্স হেদক্বার্টরস ফাওবা চৎখ্রে" হায়না মহাক্না হায়খি।
"অনীশুবদা টালিবানগী অনৌবা লিদর মুল্লহা অখতর মুহম্মদ মনসুর লৈরে। মহাক্না পাকিস্তানগী ক্বেটা টাউনগী মনাক্তা মহাক্কী মিলিটরি অমসুং লিদরশিংগী মীফমশিং ইফোঙ ফোঙনা পাঙথোকখি" হায়না অইবনা ফোঙদোকখি।
"অরোইবদা অল-কাইদাগী লিদর অয়মন অল-জৱাহরি লৈ। নুপা অসি পাকিস্তাননা য়োকপী থাকপীদুনা লৈবাক অসিদা ফজনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। হন্দক ইকুই কুইদনা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা মহাক বেলোচিষ্টানগী খা নোংচুপ থংবা মচি অমদা লৈ হায়খ্রে। অফঘানিষ্টানগী খা থংবা শরুক্তা ট্রেনিং কেম্প কয়া লিংখৎনবা মহাক্না হোৎনদুনা লাক্লি" হায়না গোলনা ইখি।
ন্যু য়োর্ক টাইমসনা পাকিস্তানদা লৈরিবা মাদ্রাসাশিং অদু পাকিস্তানি ইন্টলিজেন্সনা মতম শাংনা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মদ্রাসাশিং অদুনা পাষ্টুনশিংগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা ইথনিক মাইনোরিটিশিংগী মীওইশিংবু ট্রেনিং পীরক্লি হায়রি।
"পুম্নমকসিগী পান্দমদি মদ্রাসাশিংনা পুথোকপা নহা ওইরিবা গ্রেজুয়েটশিং অদুবু শীজিন্নদুনা অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক কন্ট্রোল তৌবনি। মফম অদুদগী সেন্ট্রেল এসিয়া অমসুং নোংচুপ থংবা চাইনাদা মীৎয়েং থম্বা য়াই। পাকিস্তান ক্লারিকশিংনা চাইনিজ উইঘুরশিং লোয়না লোয়ননা সেন্ট্রেল এসিয়নশিংগা লোয়ননা মহৈ-মশিন তম্বীরি অমসুং পুংতোপ তোপ্পা ৱাখল্লোনশিং চুশিনহল্লি হায়না গোলনা মখা তাখি।



# EMPLOYMENT NEWS

**UPSC Advt No 02/ 2016 – Apply Online for 112 Specialist, Civilian Medical Officer & Other Posts**

UPSC Advt No 02/ 2016 – Apply Online for 112 Specialist, Civilian Medical Officer & Other Posts: Union Public Service Commission (UPSC) has published a notification for the recruitment of 112 Assistant Library and Information Officer, Civilian Medical Officers, Specialist Grade-III Assistant Professor (Cancer Surgery, Urology, Gastroenterology, Endocrinology, Plastic Surgery, Psychiatry, Paediatric Cardiology), Specialist Grade-III (Neurology, Cardiology), Assistant Employment Officer, Assistant Employment Officer, Chemist in Indian Bureau of Mines& Economic Officer vacancies. Eligible candidates may apply through online on or before 11-02-2016 by 23:59 Hrs. For more details regarding age limit, educational qualification, selection process, application fee, how to apply are given below…

**UPSC Vacancy Details:**
**Total No of Posts: 112**
**Name of the Posts:**

1. Assistant Library and Information Officer : 01 Post,
2. Civilian Medical Officers: 49 Posts
3. Specialist Grade-III Assistant Professor: 56 Posts
   a. Cancer Surgery: 01 Post
   b. Urology: 02 Posts
   c. Gastroenterology: 08 Posts
   d. Endocrinology: 09 Posts
   e. Plastic Surgery: 08 Posts
   f. Psychiatry: 26 Posts
   g. Paediatric Cardiology: 02 Posts
4. Specialist Grade-III: 02 Posts
   a. Neurology: 01 Post
   b. Cardiology: 01 Post
5. Assistant Employment Officer: 01 Post
6. Chemist in Indian Bureau of Mines: 01 Post
7. Economic Officer: 02 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be 30 years for post 1, 5, 7, 35 years for post 2, 6, 40 years for post 3, 4 as on last date for receipt of online application. Age relaxation is applicable upto 5 years for Central/ U.T Govt Servants, 8 years for OBC and 10 years for SC/ ST candidates as per rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Bachelors Degree in Library Science or Library and Information Science of a recognized University or institute for S.No- 1, recognized medical qualification included in the first or second Schedule or Part II of the third schedule (other than licentiate qualification) to the Indian Medical Council Act 1956 for S.No- 2. Candidates should have relevant experience. For more information refer notification.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on Recruitment test followed by interview.

**Application Fee:** Candidates have to pay Rs.25/- (No fee for SC/ ST/ PH/ Women candidates) in any branch of the SBI by cash or by using net banking facility of the SBI or by using visa/ master credit/ debit card.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through www.upsconline.nic.in on or before 11-02-2016 by 23:59 Hrs and can take printout of application on or before 12-02-2016 by 23:59 Hrs.

**Instructions to Apply Online:**

1. Before applying online candidates have to scan the copies of photograph & signature.
2. Log on through the website www.upsconline.nic.in.
3. Click on "Online Recruitment Application (ORA) for Various Recruitment Posts".
4. Click on "New Registration".
5. Fill the form with all the relevant details & submit the application form.
6. After successful registration, a unique registration ID will be allotted, note down the ID & password.
7. Now fill the personal profile, contact details, age relaxation if applicable.
8. Now fill the details of qualification, experience.
9. Now fill the details of Professional Registration, Language, Miscellaneous Module.
10. Now candidate have to choose the Recruitment Test Centre.
11. Now candidates have to upload documents in Document Upload Module
12. After uploading photograph & signature preview the ORA form and check the details carefully.
13. Now click on the submit button
14. Candidates can Pay Online using the Internet banking facility in SBI or other associated banks or can pay through Visa/ Master Debit or Credit card issued by any Bank/ Institution.
15. Here the Transaction ID & Date of Registration details will directly uploaded automatically.
16. Now pay the fee through cash at any branch of State Bank of India through the Pay-in-Slip
17. A transaction ID will be given, again revisit the website and click on the "Click here to view your Previous/ Currently active applications".
18. Log in by registration ID & password, candidates can see "My Active Application (My draft Application)" link.
19. Now fill the details of transaction ID and Date of Transaction if paid through cash.
20. Click "Continue", check the details of fee and submit the application.
21. Now take the printout copies of application attach the attested copies of all documents and keep it for future use.

**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| Date of Advertisement | 16-01-2016 |
| Last Date to Apply Online | 11-02-2016 by 23:59 Hrs |
| Last Date to take Printout of Application | 12-02-2016 by 23:59 Hrs |

